# যুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মেনেন্ট সিট ইন্দিয়াদা পীবগী ৱাফম রসিয়ানা শৌগৎখ্রে

যুএন, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
রসিয়াগী প্রসিদেন্ট সর্গি লাভরোবনা ইন্দিয়া অসি মরু ওইবা ইন্টরনেসনল এক্টর অমনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মিনেন্ট সিটকীদমক মহাক্না ইন্দিয়াবু শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে।



থাংজ নুমিত্তা জেনরেল এসেমব্লিগী অৱাংবা থাক্কী মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা লাভরোবনা হায়খি, মদুদি কাউন্সিল অমসুং যুএন অসি মতম মতমগী অশেংবা ফিভমশিংগা চান্ননা পুন্না চৎমিন্নগদবনি। অফ্রিকা, এসিয়া অমসুং লেটিন অমেরিকাগী লৈবাকশিংগী মীহুৎশিং য়াওহন্দুনা সেক্যুরিটি কাউন্সিলবু হেন্না দিমোক্রেটিক ওইহনবা য়াগনি হায়না ঐখোয়না লৌই।

মরু ওইনা কাউন্সিলদা ঐখোয়না মরু ওইবা ইন্টরনেসনল এক্টরশিং অমসুং মতিক চারবা কেন্দিদেটশিং ওইরিবা ইন্দিয়া অমসুং ব্রাজিলবু পার্মিনেন্ট মেম্বরশিং ওইনা হাপচিনবা য়াগনি হায়না ঐখোয়না থাজে। রসিয়ানা সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মেনেন্ট মেম্বরশিপকী মতাংদা ইন্দিয়াবু কেন্দিদেট অমা ওইহনবা পাম্মী হায়বগী ইঙ্গিৎ মমাঙদা কয়ারক হন্না পীখ্রবসু যুএন জেনরেল এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফমগুম্বা মালেমগী য়াম্না মরু ওইরবা মীফমদা ইফোঙ ফোঙনা রসিয়ানা ইন্দিয়াবু শৌগৎপসি মসিনা অহানবনি।

ইন্দিয়া অসি নোংচুপলোমগী পার্মিনেন্ট মেম্বর অহুম্মক অমসুং রসিয়ানা শৌগৎপা অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক্নি। অসুম্না ইন্দিয়াবু চাইনা খক নত্তনা পার্মিনেন্ট মেম্বর পুম্নমক্না শৌগৎলিবনি। ব্রাজিল অসি সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মিনেন্ট মেম্বরশিপকী কেন্দিদেসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ব্রাজিলবু শৌগৎখি।

অমরোমদা, পার্মিনেন্ট সিটশিংগী অতৈ ফ্রন্ট-রন্নরশিং ওইরিবা জমর্নি অমসুং জপান লৈবাক অনী অসি রসিয়ানা শৌগৎতে। যুএসকী ইন্দো-পেসিফিক ষ্ট্রেটেজি অসি এসিয়াগী লৈবাকশিংবু নমথনবা অমসুং অসিয়নগী চাং তাহন্নবা হোৎনবা অমনি হায়রদুনা লাভরোবনা ৱাশিংতনবু ক্রিটিসাইজ তৌখি।

জপান অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াসু য়াওবা লৈবাক মরিগী গ্রুপ ক্বাদকী মেম্বর অমা ওইনা ইন্দিয়া অসি ইন্দো-পেসিফিক ষ্ট্রেটেজিদা মরু ওইরিবনি। ইন্দো-পেসিফিক ষ্ট্রেটেজিশিংগী স্লোগান মখাদা ফোর্মেট কয়া শেম্লি অমসুং যুএসনা অসুম তৌদুনা লিশাং শিংনা অসিয়ননা হোৎনদুনা শেল্লক্লিবা লমদম অদুগী পোকফম কয়া য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মরাই চাইথহন্নবা হোৎনরি হায়না লাভরোবনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুরো-এটলান্টিক অমসুং ইন্দো-পেসিফিক্কী সেক্যুরিটি কায়হনবা য়াদে হায়না হৌজিক নাটোনা লাউথোরকপসু লৈরে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। মখা তারদুনা লাভরোবনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মালেম পুম্বা লৈবাক অসিগী কন্ট্রোল মখাদা লৈহন্নবা হোৎনরি অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা তোঙান তোঙানবা ব্লোকশিংগী মরক্তা অমগা অমগা মুক্নহনবগা লোয়ননা মফম খুদিংমক্তা মচোই মচোই তাহন্নবগী থৌরাংশিং পায়খত্তুনা লৈরি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা লৈবাক অমনা ঐখোয়বু শৌগৎপা নত্ত্রগা ঐখোয়গী মায়োক্তা লৈরকপা তারকই। মতাং অসিদা অহুমশুবা ওপসন অমদি য়াশিন্নবগী ৱাফম অমত্তা লৈরক্লোই হায়না লাভরোবনা ফোঙদোকখি।

যুক্রেনগী মায়োক্তা প্রসিদেন্ট পুটিননা লৌরিবা অচেৎপা ফিরেপ্লুসু মহাক্না নৌহৌননা পনখি। যুক্রেনদা রসিয়ানা লান্দারিবদুগী মতাংদা লাভরোবনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু মরাল শীখি।

# ই য়ুনা পুটিনগী ন্যুক্লিয়র থ্রেটশিং লুনা লৌগদবনি: জোসেপ বোরেল

লন্দন, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
যুক্রেনগী কনফ্লিক্টতা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং শীজিন্নরকপা য়াই হায়বা রসিয়ন লিদর ব্লাদিমির পুটিননা থ্রেটশিং ইয়ুনা থৌশাদবা তৌরোইদবনি হায়না ব্লোক অসিগী ফোরেন পোলিসি চীফনা ফোঙদোকখ্রে।

ইয়ুগী ফোরেন পোলিসি চীফ জোসেপ বোরেলনা মেদিয়াদা হায়খি, মদুদি পুটিননা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শীজিন্নবগী ৱাফম পনখিবা মতমদা মদু মহাক্না পংহাই হাইজিনবা নত্তে হায়খিবদু ঐখোয়না লূনা লৌগদবনি। রসিয়ানা যুক্রেনগী লমদম মরি লৌশিন্নবা পার্সন মোবিলাইজেসন অমদি মিলিটরি খোঙথাংশিং লৌখৎপা হৌখিবগা লোয়ননা বোরেলনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকপনি।

যুক্রেনিয়ন ফোর্সেসনা কাউন্টর ওফেন্সিব চথুদুনা রসিয়ন ফোর্সশিং মফম কয়াদগী তকথোকখিবগা লোয়ননা লানফম কয়াদা পুটিননা মায়থীবা নঙলি। বোরেলনা হায়খি, মদুদি রসিয়ন আর্মি মফম কয়াদা মায়থীবা নঙলক্লিবা অসিনা তশেংনমক হৌজিক ওইরক্লিবা



ফিভম অসি খুদোংথীনিংঙাই ওই হায়বা য়াই।

পুটিননা ফিভম অসিগী মতাংদা উৎলক্লিবা রিএক্সন ওইনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং শীজিন্নরকপা য়াই হায়না কিহল্লক্লিবসি তশেংনমক য়াম্না ফত্তবা ইঙ্গিৎনি হায়না বোরেলনা ফোঙদোকখি। রসিয়ানা যুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবা থা তরেৎকী মতুংদা প্রসিদেন্ট পুটিনগী ফোর্সশিং মনিং হল্লে হায়বসি এনালিষ্টশিংনা য়ান্নরবা ৱাফম ওইরে। তৌইগুম্বসুং রসিয়ন লিদর অসিনা যুক্রেনগী সোভরেন্টি অমসুং টেরিটরিএল ইন্টগ্রিটি কায়হল্লোইদবা দিপ্লোমেটিক সোলূসন অমা পুরকপা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি।

করিগুম্বা অসিগুম্বা সোলুসন অমা পুরকপা ঙমদ্রবসু লান অসি লোইশিনবা য়াগনি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয় মরা তপ্পা ফিভমদি লৈরোই। মরম অদুনা ঐখোয় অতোপ্পা লান অমা অমুক শোক্নরকপা তাবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পুটিননা হায়খি, মদুদি মহাক্কী লৈবাক্কী পাক শন্না মাঙহন তাকহনবা ঙম্বা মখল কয়াগী খুৎলায়শিং লৈ অমসুং মথৌ তারক্লবদি ঐখোয়দা লৈরিবা পাম্বৈখুদিংমক শীজিন্নরক্কনি। মসি পংহাই হাইজিন ৱাফম নত্তে। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট পুটিননা কম্পলসরি মিলিটরি সার্ভিসকী ট্রেনিং ফঙখ্রবা রসিয়ন ৩০০,০০০ মোবিলাইজ তৌরগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা রসিয়াগী মফম কয়াদা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট চথরকখি অমদি ফ্রন্ট লাইনদা চঙবা পামদবা মীওই লিশিং চা কয়া লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চেন্নখি।

# বাঘদাদকা নক্নুনা খুৎ থোক্নবদা ইরাক্কি লান্মী ১, আইএস মিলিটেন্ট ২ শিরে

বাঘদাদ, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
ইরাক্কি কেপিটেল বাঘদাদকী অৱাংদা খুৎ থোক্নবদা লান্মী অমা অমসুং ইস্লামিক ষ্টেট (আইএস) মিলিটেন্ট অনী শিখ্রে হায়না ইরাক্কি মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।



ষ্টেটমেন্ট অমদা ইরাক্কি জোইন্ট ওপরেসনস কম্মান্দ (জেওসি) গী মেদিয়া ওফিসনা হায়খি, মদুদি ইন্টলিজেন্স রিপোর্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ইরাক্কি আর্মি ফোর্স অমনা কেপিটেল বাঘদাদকী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৩০ রোম লাপ্পা লৈবা টর্মিয়া এরিয়াগী অশুকপা ওর্কাদশিংদা লৈরিবা আইএসকী লোৎফম অমদা এটেক তৌখি।

খুৎ থোক্নবা অদুদা আর্মি ফোর্স অদুনা আইএস মিলিটেন্ট অনী হাৎখি। মিলিটেন্ট অনীদুগী মনুংদা অমদি মশাদা এক্সপ্লোসিব বেল্ট য়াওরম্মী। থৌদোক অদুদা লান্মী অমসু শিখি অমসুং ওফিসার অমনা অশোক অপন নঙখি। থাংজ নুমিত্তা ইরাক্কি ইষ্টর্ন প্রোভিন্স দিয়ালাগী রুরেল এরিয়া অমদা লৈরিবা আইএসকী লোৎফম অমদা ইরাক্কি ফাইটর জেটশিংনা এয়র ষ্ট্রাইক অনী পাঙথোক্তুনা লোৎফম অদুবু থুগায়খি হায়না জেওসিনা তোঙানবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মীশি মীনাশিংগী মতাংদা অকুপ্পশিংদি ফোঙদোকখিদে। লোয়ননা অথেংবদা অহেনবা ইনফোর্মেসন পীগনি হায়খি। হৌখিবা থা কয়া অসিদা ইরাক্কি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এক্তিভিটি কনখৎলক্লিবা এক্সট্রিমিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা ওপরেসন কয়া চথখিবনি।

কুমজা ২০১৭ দা আইএসনা মায়থীবা নঙখিবদগীদি ইরাক্কি সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎলকখি। অদুম ওইনমক মচিৎ মখাকশিং ওইনা লৈহৌবা টেররিষ্ট ইলিমেন্টশিংনা অর্বান সেন্টরশিং, লৈকংলাশিং অমদি চীংগী লমদমশিংদা চঙশিন্দুনা মখোয়গী ফিভম শেমখিবগা লোয়ননা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং মীচমশিংগী মায়োক্তা গুরিলা এটেকশিং চথখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা ইষ্ট সীদা সোর্ট রেঞ্জ বেলেষ্টিক মিসাইল অমা কাপশিনখ্রে: সাউথ কোরিয়া

সিওল, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা সোর্ট-রেঞ্জ বেলেষ্টিক মিসাইল অমা ইষ্ট সীদা কাপশিনখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।



জোইন্ট মিলিটরি ড্রিলসকীদমক যুএসকী ন্যুক্লিয়র-পৱার্দ এয়রক্রাফট কেরিয়র অমা সাউথ কোরিয়াদা থুংলবা মতুং নুমিৎ নীনি কান্নরগা নোর্থ কোরিয়ানা ইষ্ট সীদা মিসাইল অদু কাপশিনখিবনি।

জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফ (জে সি এস) না হায়খি, মদুদি নোর্থ য়োঙ্গান প্রোভিন্সকী টেচোন নত্ত্রগা মসিগী অকোয়বদা লৈবা মফম অমদগী অয়ুক পুং ৬.৫৩ তাবা মতমদা লোঞ্চ অদু দিটেক তৌখি। মিসাইল অদু খ্বাইদগী ৱাংবা স্পিদ ওইনা মার্ক ৫ দা কিলোমিটর ৬০০ পাইখি।

জেসিএসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সাউথ অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ইন্টলিজেন্স ওথোরিটিশিংনা অতৈ অকুপ্পশিংগীদমক দিটেল এনা-লাইসিস অমা চথুরি।

যুএস ভাইস প্রসিদেন্ট কম্লা হেরিসনা সিওলদা চয়োল অসিগী অথেংবদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরকপগা ইরোয়ননা মিসাইল লোঞ্চ অদু পাঙথোকখিবনি।

অমরোমদা, মীচং লৈবাকশিং অসিনা ইষ্ট সীদা অপুনবা মেরিটাইম এক্সর্সাইজ অমা পাঙথোক্নবা হোৎনরক্লিঙৈ মরক্তা নোর্থকী মিসাইল চাংয়েং অসি পাঙথোরক্লিবনি। জেইন্ট মেরিটাইম এক্সর্সাইজ অদুদা যুএসএস রোনাল্ড রিগান করিয়র ষ্ট্রাইক গ্রুপনা শরুক য়াগনি।

লোঞ্চ অদুগী মতুং ইকান কান্নদনা জেসিএসকী চ্যেরমেন জেনরেল কিম সুং-কিয়ুং অমসুং সাউথ কোরিয়া-যুএস কম্বাইন্দ ফোর্সেস কম্মান্দগী কম্মান্দর জেনরেল পোললা কমেরানা সেক্যুরিটি কো ওর্দিনেসনগী মতাংদা খন্নখি। জেসিএসনা পাউমীশিংদা টেক্স মেসেজ অমগী খুথাংদা হায়খি, সাইথ কোরিয়া-যুএস মেরিটাইম এক্সর্সাইজ অমদি অতৈ খোঙথাং কয়াগা লোয়ননা মখোয়না নোর্থ কোরিয়াগী থ্রেটশিং অমদি কায়হৌবগী থৌওংশিংগী মায়োক্তা অপুনবা দিফেন্সকী খোঙফম হেন্না চেৎশিলহল্লগনি। অসিগুম্বা মিসাইল লোঞ্চ অসি অচৌবা কায়হৌবগী থৌওংনি অমসুং মসিনা কোরিয়ন পেনিন্সুলা অমদি ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিগী মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভমদা অকায়বা পীগনি হায়রদুনা জেসিএসনা নোর্থ কোরিয়াদা বেলেষ্টিক মিসাইল খুদিংমক খুদক্তা লেপ্পনবা তকশিনখি। নোর্থকী থৌওংশিং অদু যুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলূসনশিং ইফোঙ ফোঙনা খোঙ্গাওনবগী থৌওংনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জেসিএসনা হায়রি, মদুদি যুএসকা খুৎশম্নরগা নোর্থ কোরিয়াগী অহেনবা কায়হৌবগী থৌওংশিংগী মায়োক্তা শেম শাননবা নোর্থ কোরিয়াগী মুভমেন্টশিং মোনিটরিং অমসুং ট্রেক্কিং তৌবগা লোয়ননা ঐখোয়গী মিলিটরিনা নোর্থ কোরিয়াগী কায়হৌবগী থৌওং খুদিংমক্তা হৌজিক লৈরিবা ঐখোয়গী কেপেবিলিটিগী মতুং ইন্না অদুগুম্বা থৌওংশিং অদুবু মপুং ফানা মায়োক্ননবা চেকশিন্না শেম শাদুনা লৈগনি।

ছোর্স অমগী মতুং ইন্না কাপখিবা প্রোজেক্টাইল অদু রসিয়াগী স্কান্দরগা মান্নবা কেএন ২৩ মিসাইল ওইরমগদ্রা হায়বসি খঙনবা হোৎনরি।

# এন্টি-টেরর ওপরেসনদা অল-কাইদাগী মেম্বর ২৪ হাৎখ্রে

অদেন, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
য়েমেনগী প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা থাংজ নুমিত্তা খা থংবা প্রোভিন্স অবিয়ানদা মখা তানা এন্টি টেরর মিলিটরি ওপরেসনশিং চথখ্রে হায়না সেক্যুরিটি ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে।

মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা লোকেল সেক্যুরিটি ছোর্স অদুনা হায়খি, মদুদি ট্রুপশিংনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা প্রোভিন্স অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা অল-কাইদা টেররিষ্ট গ্রুপকী ষ্ট্রোং হোল্ডশিংদা রেইদ চথখি অমদি খুৎলায় পায়বা অল-কাইদাগী মেম্বর ২৪ হাৎখি।

প্রোভিন্স অপুম্বা অদুদগী টেরর গ্রুপ অসিগী ইলিমেন্ট পুম্নমক তকথোক্নবগী পান্দমদা এন্টি-টেরর কেম্পেইনগী মরিশুবা ফেজ থাংজ নুমিত্তা লোঞ্চ তৌখি। ওফিসল অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি চয়োল কয়া চুপ্পা লান্থেংনরক্নবা মতুংদা অল-কাইদাগী মিলিটেন্টশিং দিষ্ট্রিক্ট মরিদগী তকথোকখি।

লোয়ননা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা চথখিবা ওপরেসনশিং অদুদা লান্মী ৩২ শিখি অমসুং অতৈ ৪০ না অশোক অপন নঙখি।

সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অতৈ খা থংবা এরিয়াশিংদা অল-কাইদা মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা ওপরেসন লেপ্তুনা চথখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়েমেন গভর্ণমেন্টগী শরুক অমা ওইরিবা সাউর্দন ট্রাঞ্জিস্নেল কাউন্সিল (এসদিসি) গী মিলিটরি য়ুনিটশিংনা ইরাং কনবা অবিয়ানগী তোঙান তোঙানবা চীংগী এরিয়াশিংদা লোৎতুনা অমদি ফিভম শেমদুনা লৈরিবা অল-কাইদাগী ষ্ট্রোং হোল্ডশিংদা এটেক তৌখি। হৌখিবা থাদা এসদিসি গ্রুপনা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা অবিয়ানদা এরোস ওফ ড ইষ্ট হায়বা অচৌবা এন্টি-টেরর ওপরেসন অমা লোঞ্চ তৌখিবনি।

য়েমেনদা বেজ তৌবা অল-কাইদা ইন ড অরাবিয়ন পেনিন্সুলা (এ ক্যু এ পি) নেটৱার্কনা লৈবাক অদুগী খা থংবা প্রোভিন্স অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়োক্তা অচৌবা এটেকশিং চথুদুনা লাকখি। য়েমেনি গভর্ণমেন্ট অমসুং হৌথি মিলিসিয়াগী মরক্তা লিশাং শিংনা মুক্নরক্লিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা এ ক্যু এ পিনা লানগী চৈথেং নঙলবা আরব লৈবাক অদুদা মশা মরেংশিং শন্দাক্নবা হোৎনরকখিবনি।

# চাইনানা চাংয়েংগী সেটলাইট অনী লোঞ্চ তৌখ্রে

বৈজিং, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
চাইনানা স্পেসতা সেটলাইট অনী মফম চানা থম্নবগীদমক্তা নোংমাইজিং নুমিত্তা ক্বাজৌ-এ করিয়র রোকেট অমা লোঞ্চ তৌখ্রে। সেটলাইট জুরা হায়বদি সিয়ান-১৪ অমদি সিয়ান-১৫ অসি বৈজিংগী মতমদা অয়ুক পুং ৬.৫৫ তাবা মতমদা চাইনাগী খা থংবা প্রোভিন্স সান্সিদা লৈবা টাইয়ান সেটলাইট লোঞ্চ সেন্টরদগী লোঞ্চ তৌখি অমসুং য়াম্না থুনা মাঙজৌননা লেপ্লবা ওর্বিটতা চঙখি হায়না চাইনিজ ন্যুজ এজেন্সি অমগী রিপোর্টনা হায়রি।

সিয়ান-১৪ হায়রিবা সেটলাইট অসি মরু ওইনা সাইন্টিফিক চাংয়েংশিং পাঙথোকপদা অমদি অনৌবা টেক্নোলোজিশিং ভেরিফাই তৌবদা শীজিন্নগনি অমসুং সিয়ান-১৫ হায়রিবা সেটলাইট অসিনা লেন্দ সর্ভে, অর্বান প্লান্নিং অমসুং দিজাষ্টর প্রিভেন্সন অমদি মিটিগেসনগী লমশিংদা দেটা পীগনি।

লোঞ্চ সেন্টর অসিগী মতুংইন্না মদু ক্বাইজৌ-১ সেরিজ রোকেটশিংগী ১৮ শুবা ফ্লাইট মিশননি।

# চাইনানা ক্বাদ চৈখ্রে

যুএন, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা ক্বাদ অমসুং অতৈ অসিগুম্বা ইনিসিয়েটিবশিংবু য়ানিংদবগা লোয়ননা হায়খ্রে, মদুদি ঐখোয়না গ্রুপ পোলিটিক্সশিং অমসুং ব্লোক মশেল মুক্নবগী ফিভমশিং পুন্না ওপোজ তৌগদবনি।

যুএন জেনরেল এসেমব্লিগী অৱাংবা থাক্কী মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা য়িনা হায়, কনাগুম্বশিংনা মশাগী সেক্যুরিটিগী ৱাফম খক য়েংলগা থবক তৌবনা গ্লোবেল ষ্ট্রেটেজিক ষ্টেবিলিটিদা শোয়দনা শোকহনগনি।

# পাকিস্তাননা রসিয়াগী গেহু ইম্পোর্ট তৌরবা য়াই: পিএম সেহবাজ সারিফ

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
হন্দক্তা শাথিরবা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা মহৈ মরোংশিং পাক শন্না মাঙহন তাকহনখ্রবা মতুং অসিদা পাকিস্তাননা রসিয়াদগী গেহু ইম্পোর্ট তৌবগী ফিভম লৈ হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফনা ফোঙদোকখ্রে।

ড ন্যুজনা সারিফকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, শাথিরবা ঈচাওশিংনা পাকিস্তানগী লম অপুম্বগী শরুক অহুম থোকপগী অমা ঈশিং থুমহনখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিনা তঙাই ফদনা গেহু টন মিলিয়ন অমরোম রসিয়াদগী ইম্পোর্ট তৌরবা য়াই।

ইন্টরভিয়ু অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজনা হায়খি, মদুদি পাকিস্তাননা লৈগদৌরিবা মথৌ তাবা গেহু রসিয়াদগী ওইবা য়াই। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিনা অতৈ ওফরশিংবুসু তরাম্না ওক্কনি। ফর্টিলাইজরশিং পুথোক্নবা ফেক্তরিশিং থিংজিনখিবনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিনা মপানদগী ফর্টিলাইজর লৈবসু মথৌ তাই। জুন থাগী ময়াই চনবা শরুক্তগী ঈশিং ঈচাও থোকপা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদগী হৌনা পাকিস্তাননা হৱাই চেঙৱাইগী অৱাৎপা অমদি শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমলশিং কা হেন্না ৱাংবগী অরুবা শীংনবা কয়া মায়োক্নখি।

মরু ওইনা রসিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৪ দা যুক্রেনদা লান্দাখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা লান শোক্নরকপদগী মালেম পুম্বদা হৱাই চেঙৱাইশিং ফঙনরক্তবা অমদি শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমলশিং কা হেন্না ৱাংলকখিবনি।

সারিফনা হায়খি, মদুদি তঙাই ফদবা পোৎলমশিং অসিগী মমলশিং কা হেন্না ৱাংলকখিবা অসিনা মরম ওইদুনা আইটেমশিং অসিবু ইম্পোর্ট তৌবা হায়বসি ঐখোয়গী কেপাসিটিগী ৱাংমদা ওইরকখি। লোয়ননা পাক শন্না ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা লৈবাক অসিগী মহৈ মরোংগী পোথোকশিং মাঙহন তাকহনখিবা অসিনা অসিগুম্বা প্রোব্লেমশিং অসিগী সোলূসন পুরক্নবা হোৎনবদা হেন্না লুশিল্লকখি।

পিএম সারিফনা মখা তারদুনা মহাক্না চহী অসিদা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লাক্লিবদু মালেম পুম্বদা মসিগী অৱাবগী মশক ওইরবা ফিভম অসি নোংমদি অতৈ লৈবাকশিংসু মায়োক্নরক্কনি হায়বসি খঙহন্নবগীদমক্তনি হায়খি।

ইন্টরভিয়ু অমদা ৱা ঙাঙখিবা সারিফনা জেনরেল এসেমব্লিগী চহীগী ওইবা মীফমদা শরুক য়ানবগীদমক পুল্লিবা মালেমগী লুচিংবশিংদা পুন্না লেপমিন্নদুনা অসিগুম্বা মহৌশাগী শাথিরবা থৌদোকশিং অসিনা চৈথেং পীবা ঙল্লরোইদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা রিছোর্সশিং তাশিন্নবা আপিল তৌখি।

# লম্বীশিংদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবা ইরাননা ইন্টর্নেট সার্ভিসতা রেষ্ট্রিক্সন থম্লগনি

টেহরান, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
মোরেলিটি পুলিসকী কষ্টদিদা নহা ওইরিবা নুপী অমা শিখিবদগী ইরান শীন থুংনা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট চথরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা লম্বীশিংদা চথরিবা ইরাংশিং লেপ্তুনা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবা ইন্টর্নেট সার্ভিসতা রেষ্ট্রিক্সন লৈরগনি হায়না ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



হৌখিবা চয়োলদা মশাগী চহী ২২ শুরবী মাসা অমিনি কৌবী নুপী অমা শিখিবদগী ইরানিয়ন লিশিং কয়ানা লম্বীশিংদা থোক্তুনা ওথোরিটিশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চথখিবনি। নুপী অদু হিজাব নীংথিনা শীজিন্নদবগীদমক্তা টেহরানদা ফাখিবগা লোয়ননা রি এদুকেসন সেন্টর অমদা পুখিবনি।

ইরাই নুমিত্তগী কেপিটেল টেহরান য়াওনা য়ামদ্রবদা লৈবাক অদুগী সিটি ৪০ দা দিমোন্সট্রেসন চথখ্রে। প্রোটেষ্টরশিংনা ভাইওলেন্স অমদি নুপীশিংগী মরক্তা অচান মিরাই খাইবা মীৎয়েংনা য়েংবা লেপ্লবা লোয়ননা ইরানিয়ন নুপীশিংনা তঙাই ফদনা হিজাব শীজিন্নহল্লিবদু লেপ্পনবা দিমান্দ তৌখি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্নবদা প্রোটেষ্টর কয়া শিখি হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রবনি। ইরাই নুমিত্তা এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলনা হায়খি, মদুদি প্রোটেষ্টশিং অদুদা অঙাং মরি য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শিখি। ষ্টেট মেদিয়া ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ ইরান ব্রোদকাষ্টিং (আই আর আই বি) গী মতুং ইন্না ইরাং অদুদা মীওই ৩৫ শিখ্রে। সিএনএননা হায়রি, মদুদি ইন্টর্নেটতা রেষ্ট্রিক্সন থমদুনা প্রোটেষ্টশিং অদু লাকশিনবা য়াগনি হায়না ওথোরিটিশিংনা থাজরি।


ইরাই নুমিত্তা ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর আই আর আই বিদা ৱা ঙাঙলদুনা ইরানগী মিনিষ্টর ওফ কম্যুনিকেসন্স অহমদ বাহিদিনা হায়খি, মদুদি মীয়ামগী রাইওটশিং অদু লোইদ্রিবা ফাওবা ইন্টর্নেট শীজিন্নবদা লিমিটেসন লৈগনি।

সোসল মেদিয়াগী খুথাংদা রাইওট ওর্গনাইজ তৌবা থিংনবগীদমক্তা ঐখোয়না তঙাইফদনা ইন্টর্নেটকী লিমিটেসন থম্লকপনি। সোসল মেদিয়াদা থাগৎপা ভিদিওশিংনা ওথোরিটিশিংগী থৌওংশিং অদুবু মীয়াম্না মওং কয়াদা কন্না য়ানিংদবা উৎখিবা মনুংদা বাহিদিনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকপনি।

ভিদিওশিং অদুদা নুপীশিংনা মখোয়গী কোকশেৎশিং লৌথোক্লগা মৈ থাবা অমদি দেমোন্সট্রেটরশিংনা ৱিমেন, লাইফ, ফ্রিদম হায়বা স্লোগানশিং লাউবা উখি।

# ইন্দিয়ানা যুএন চার্টর ইকায় খুম্নরিবশিংগী মায়কৈদা লেপ্লি: জয়সঙ্কর

যুএন, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
যুক্রেনদা লান্দাবগীদমক্তা রসিয়াবু ক্রিটিসাইজ তৌবা অমদি লান অদুদগী ইন্দিয়ানা লাপ্না লৈ হায়বগী মওং উৎপা খোঙথাং অমদা ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা হায়খ্রে, মদুদি ইন্দিয়ানা যুএন চার্টর অমদি মসিগী প্রিন্সিপলশিংবু ইকায় খুম্নরিবশিংগী মায়কৈদা লেপ্লি।



জয়সঙ্করনা মখা তারদুনা হায়খি, মদুদি যুক্রেনগী লান লেপ্তুনা চথবগা লোয়ননা ঐখোয়না করম্বা মায়কৈদা লেপ্লিবগে হায়বা তোইনা হঙলকই। মতম পুম্বদা ঐখোয়গী পাউখুমদি পুকচেল শেংনা পীদুনা লাক্লি। ইন্দিয়াদি মরা তপ্পা ফিভম লিংনবা হোৎনবগী মায়কৈদা লৈ অমদি অসিগুম্বা মায়কৈদা মখা তানা লেপকনি।

মহাক্কী ৱাফম অসিবু হেন্না খঙহন্নবগীদমক্তা জয়সঙ্করনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না যুএন চার্টর অমসুং মসিবু হৌদোকখিবগী প্রিন্সিপলশিংবু ইকায় খুম্নরিবশিংগী মায়কৈদা লেপ্লী। মহাক্না যুএন জেনরেল এসেমব্লিদা ৱা ঙাঙলিবা অদু দিপ্লোমেটশিংনা কুপ্না য়েংদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রসিয়াগী পসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনদা হৌজিক লান শোক্নবগী মতম নত্তে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা যুক্রেনগী মতাংদা ইন্দিয়াগী ফিরেপতা অহোংবা লাকপ্রা হায়বদু খঙনবা হোৎনখি।

মোদিনা পুটিনদা দাইলোগ অমসুং দিপ্লোমেসিগী পাম্বৈশিংনা খেন্নবা ৱাফমশিং লৈখায় তানবা হোৎনগদবনি হায়নসু নৌহৌননা খঙহনখিবনি। ইন্দিয়ানা লান শোক্নববু লোগী মায়োক্তা চথবা অচৌবা খোঙথাং অমনি হায়রিবা যুএন চার্টরবু ইকায় খুম্নরিবশিংগী মায়কৈদা লেপ্লি হায়রদুনা মহাক্না ইন্দিয়াবু রসিয়াগী নত্তবা মায়কৈদা লেপ্লি হায়বদু উৎখি অমসুং দিপ্লোমেটিক ওইবা থৌওং অমগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ফিরেপ অদু উৎপদা মহাক্না মোস্কোবু পনখিদে।

লান অদুনা মরম ওইদুনা চিঙ্গাক্কী অৱাৎপা অমদি ইনজিগী মমল হেনগৎলকপনা চাওনা চৈথেং পীরবা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগীদমক্তা জয়সঙ্করনা হায়খি, মদুদি ঐখোয় অৱাবগী মশক ওইরবা ফিভমশিং অসিবু ৱানা হোৎনদুনা থেংনরিবশিংগী মায়কৈদা লেপ্লি।

চিঙ্গাক, ফ্যুএল অমসুং ফর্টিলাইজরশিংগী মমল অদুক্কী মতিক ৱাংখৎলক্লিবসিবু য়েংনা য়েংনা মখোয়না লানগী চৈথেংশিং অসিবু খাঙদুনা লৈরিবনি। মরম অদুনা যুএন অমসুং মসিগী মপান অনীমক্তা কন্সট্রক্তিব ওইবা মওংদা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা কনফ্লিক্ট অসিগী রিজোলুসন অমা ঙন্না পুরক্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই হায়রদুনা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ইসাক দারবু পাকিস্তানগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইনবা ৱারেপ লৌখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
পিএমএল-এনগী লুচিংবা ইসাক দারনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাকিস্তানগী ফাইনান্স মিনিষ্টরগী চার্জ পায়রগনি অমসুং হৌজিক লৈরিবা ফাইনান্স মিনিষ্টর মিফতা ইস্মাইল মখা তানা গভর্ণমেন্টগী শরুক অমা ওইনা লৈগনি হায়রি।

লোকেল মেদিয়া রিপোর্টকী মতুং ইন্না লন্দনদা পাঙথোকপা মরু ওইবা মীফম অমদা পিএম সেহবাজ সারিফ অমসুং পিএমএল-এনগী সুপ্রিমো নৱাজ সারিফনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। সারিফ মচিন মনাও অনী লন্দনদা লৈবা পাকিস্তান প্রাইম মিনিষ্টরগী ফ্লেটতা পুং ৪ হেন্না ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা দারসু শরুক য়াখি। মীফম অদুগী অকুপ্পশিংগী মতাংদা খঙবা ছোর্স অমনা জিও ন্যুজতা হায়খি, মদুদি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা দারবু ফাইনান্স মিনিষ্টরগী চার্জ পায়হন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। সেহবাজ সারিফ নোংমাইজিং নুমিত্তা পাকিষ্টান পাঙগনি অমসুং দারসু প্রেমিয়র অসিগা লোয়ননা পায়মিন্নগদ্রা নত্ত্রগা মতুংদা পায়গদ্রা হায়বদু শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। মিফতাগী ইকনমিক পোলিসিশিংদা পেন্দ্রবা নৱাজনা ইকনমিক পোলিসিশিংদা অহোংবা লাকহন্নবা হায়খি হায়রি।